লাইরিক ফোঙখ্রে

ককচীং, ওক্টোবর ৩১(ঐচ এন এস) : সাহিত্য সেবা সম্মিটি মণিপুর, ককচীংনা য়েঙ্খোম নিলচন্দ্রনা ইবা লাইরিক 'দাকু নিংথৌ হেরাচন্দ্র' হায়না মীংথোনবা লাইরিক অমা ঙসি ফোঙখ্রে। ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী ককচীং ফৌশুপাৎ লৈকায়দা লৈবা লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্টর ককচীংগী মীপূনশঙদা পাঙথোকখিবা লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট হিষ্টোরিকেল এন্দ কলচরেল রিছোর্স সেন্টর ইম্ফালগী নাওরোইবম ইন্দ্রমনিনা অথোইবা মীথুংলেন, লৈবাক্লা শকখঙনরবা মণিপুরগী লিলা ইবা ক্ষেত্রি সনাজাওবনা অখন্নবা মীথুং অমসুং সাহিত্য সেবা সমিতিগী প্রসিদেন্ট য়েংখোম কেঙবনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি। ঙসি পাঙথাককখিবা দাকু নিংথৌ হেরাচন্দ্র হায়বা লাইরিক অসিগী মরমদা শক্লাইরবী অইবী ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনি, প্রসিদেন্ট মচা চনু ককচীংনা ৱা ঙাঙখি।

লোঞ্চ তৌরগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১(ঐচ এন এস) : ইন্দিয়ন মেদিকেল এসোসিএসন মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চনা হিল্লিং এন্দ হিল্লিং হায়বা মোটোদা 'ডোক্টরস ওন পেদলস' হায়বা সাইক্লিং ৱিং অমা হয়েং লোঞ্চ তৌরগনি হায়রি। সাইকল রেল্লি অসি লম্ফেল পাৎতা লৈবা ইমা হাওসতগী অয়ূক পুং ৬তা ফ্লেগ ওফ তৌগনি। অদুগা ইম্ফাল সিটি মনুংদা কোয়না চৎলুরবা মতুংদা অয়ূক পুং ৭তা মফম অসিদা অমুক হল্লক্কনি হায়রি।

কুটকী য়াইফ...

লামায় ১গী মখা... ওইরসনু।

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা য়াইফ পাউজেল পীবগী চেরোল অদুনা হায়, লৌরোক পন্থা মতুংদা তাইবং মপুগী মফমদা থাগৎপা ফোঙদোকপা ওইনা পাঙথোক্লিবা কুকি-চিন-মিজো ফুরুপকী মরুওইবা কুম্মৈ অমা ওইরিবা কুট ফেষ্টিভেলগা মরী লৈননা মীয়ামদা য়াইফ-পাউজেল পীরি। কুম্মৈ অসিনা লাকপদা ষ্টেটসিদা লৈরিবা ফুরুপ খূদিংমক্তা অমত্তা ওইবা, নুংশি-চান্নবা অমদি ঈং-তপ্পা পুরকপা ওইরসনু।

মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর ৱাই খেমচান্দ, আই পি আর মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎ অমদি সী এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টর টি ঐচ সত্যব্রতনা থাদোরকখিবা য়াইফ পাউজেল পীবগী চেরোলশিং অদুনা হায়, কুকি-চিন-মিজো কাঙলুপকী খ্বাইদগী চাউবা কুম্মৈ অমা ওইরিবা চবাং কুটনা লাকপদা মণিপুরদা ঈং-তপ্পা, নুংশি-চান্নবা অমদি চাউখৎপা পুরকপা ওইরসনু হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

পোৎ-চৈগী মমলগা...

লামায় ১গী মখা... কেজিদা লুপা ১৫০, হঙ্গাম থাউনা লিটরদা লুপা ১৩২, খামেন অশিনবনা কে জি দা লুপা ১০০ অমসুং শীংনা কে জি অমদা লুপা ৭০দা য়োল্লি হায়না পল্লি।

GAS NEWS

SANTHEL BAZAR INDANE GRAMIN VITRAK
BOOKING UPTO : 05/09/2020
VALID FROM : 02/09/2020
STK. : 306
TIME : 7:00AM -10:00AM
HOME DELIVERY DATE : 01/11/2020
CONTACT NO. 7005695308, 6009772483

KHUMBONG INDANE
Booking upto : 29/08/2020
Only home delivery (within 3 days)
Contact No. 7005771527
Office No. 9774068549
Whatsapp No. 8794973019
Time : 7.30am to 10.00am

CANCHI INDANE SERVICE
BOOKING UPTO : 22/09/2020
VALID FROM : 15/09/2020
19kg AVAILABLE
TIMING : 08.00am to 10.00am

HIYANGTHANG INDANE
Booking upto : 04/09/2020
Valid from : 30/08/2020
Only home del.
Cont. No. 7005934398, 7629076494, 8787330040
Whatsapp No. 9366502930
Office No. 6381538861
Enquiry No. 7085557686
Timing : 7.00am to 11.00am

LOKTAK INDANE GRAMIN VITRAK THANGA
Booking upto : 16/09/2020
Valid from : 11/09/2020
Stock : 210
Timing: 08:00am to 11:00am
Home Delivery Only.
Please Contact: 7628026040, 9378112903

MAIBIA GAS MOIRANG
BOOKING UPTO: 16/09/2020
VALID FROM: 12/09/2020
STOCK= 612
(HOME DELIVERY SERVICE)
CONTACT NOS. 1. DILIP-9612883295 (MOIRANG A/C). 2. AJAY--7005667570 (THANGA A/C), 3. AMARJIT-9862710469 (KUMBI A/C).BOOKING CONTACT NO. 7085972248.
TIMING--8 AM TO 12 NOON.

LAMSANG GAS AGENCY
(Home Delivery only)
Booking upto : 20/08/2020
Valid from : 10/08/2020
Timing : 8.00am to12.00am
Home Delivery
Contact No. 8730087936
(Within 2 or 3 days delivery)
Please submit Consumer latest mobile number.

এমসুনা অতোপ্পা স্কুল ১০ অমগসু সোসল বোয়কোট তৌখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১(ঐচ এন এস) : ঙসি ওল মণিপুর ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়ন্না থোরকখিবা চেরোল অমদা অনৌবা স্কুল ১০- মারিয়া মোন্টেশোরি স্কুল (কোইরেঙ্গৈ), য়ুনাক্কো স্কুল (খোংমন), নৱা শিন্দমশঙ (থৌবাল ক্ষেত্রি লৈকায়), শিশু নিষ্টা নিকেটন (ময়ায় কোয়বী), কিন্দর গার্টেন মোন্টেশোরি স্কুল (তাকয়েল), কোমেট স্কুল (চঙাঙ্গৈ), হরবর্ট স্কুল (ঘড়ী), মিলেনিয়ম ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্সেস (ময়ায় কোয়বী), ফ্লোবেল ইংলিস স্কুল (কংলাতোংবী) অমসুং ওলিভিয়া ইংলিস স্কুল (কংলাতোংবী) সোসল বোয়কোট তৌরে হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, লায়রবা লৌমী-শিন্মী অমসুং নোংমগী শু-নোমদুনা হিংজরিবা মীওইশিংনা মশীং য়াল্লিবা লৈবাকসিদা কোভিদ-১৯ অমসুং লোকদাউননা অকনবা চৈথেং পীবা হৌজিক ফাওবা লোইদ্রি। মীয়াম অমসুং মহৈরোয় খুন্নাইগী অৱাবা শরুক য়ামিন্নদুনা লোকদাউন মনুংদা হায়বদি এপ্রিলদগী হৌরগা মহৈরোয়শিংগী থাগী ফী লৌবীগনু হায়না এমসুনা হায়জখিবা লৈখ্রে। লোয়ননা য়ুনিয়ন অসিনা ইন্সটিট্যুসন অমত্তগী এদমিসন প্রোসেসতদি অথিংবা পীখিবা লৈতে হায়রি।

অদুবু তংদাংবা ৱারোইশিন অমা লাক্ত্রি ঙৈগী চৈরকসিদা মহৈরোয়শিংদগী ফী খোমগৎলম্বা অমসুং খোমগৎনবা হোৎনরম্বা স্কুল খরা থা অসিগী ২৮দা এমসুনা সোসল বোয়কোট তৌখ্রবনি হায়রি।

লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু থোকখিবা ওর্দরদা স্কুলশিংদা এপ্রিলদগী জুলাই ফাওবগী থাগী ফীশিং খোমগৎপা য়ারোই হায়রম্লগা ইনৌ নৌনা থোরকপা ওর্দরদনা মহৈরোয়শিংনা মখোয়গী থাগী ফী চাদা ৩০গী চাংদা পীগদবনি হায়দুনা খঙহল্লকখি হায়রি।

অসিগুম্বা লৈঙাক্কী মরৈ অনী লোংবা ঙাইহাক ঙাইহাক্কী খোঙথাং অসি কনাগী থৌইনশিলনো হায়নসু এমসুনা হংলক্লি। মরী লৈনরিবা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর অমসুং কম্মিস্নর (এদ্যুকেসন-এস) না তুমিন্না লৈশিল্লিবা অসিনা তাক্লিবদি লৈবাক ঈৱাং হৌহন্নবা হোৎনবনি হায়না লৌরোইদবগী মরম লৈব্রা হায়বা ৱাহংসু হংলক্লি। লোয়ননা থা অসিগী ৫দা এদ্যুকেসন (স্কুলস) কম্মিস্নরনা থোকখিবা ওর্দর অদু রিভোক তৌগদবনি। লোকদাউন মনুংদা মহৈরোয়শিংদগী ফী লৌবা য়ারোই। ষ্টাফশিংগী সেলরি পীগদবনি। ইন্সটিট্যুসনশিংনা মখোয়গী দিটেলস অদু লৈঙাক অমসুং মীয়ামদা খঙহনগদবনি হায়বা এমসুগী ৱাফমশিং অসি ঙসি ফাওবদা অহোংবা লৈত্রি হায়রি।

মরম অসিনা এমসুনা নৌহৌননা সোসল বোয়কোট তৌরবা স্কুল তরা অসিগী মশাগী অশোয়বা খোঙথাং অমসুং থাগী ফী থিনবা ওর্দরশিং থোক্লিবা অদু হন্দোক্ত্রিবা ফাওবা সোসল বোয়কোট তৌগনি। সোসল বোয়কোট তৌরবা স্কুলশিং অসিদা মহৈরোয়শিংগী পেরেন্টস/গাজিয়ানশিং অমসুং মীয়াম্না কোওপরেসন পীবিগনু হায়রি।

শুমাং লীলানা মণিপুরগী খুন্নাইদা অচৌবা এদ্যুকেসন অমা পীরি : ডা. নরা

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১(ঐচ এন এস) : শুমাং লীলানা মণিপুরগী সোসাইটিদা অচৌবা এদ্যুকেসন অমা পীরি হায়না হান্নগী লৈঙাকসিগী আর্ট এন্দ কলচরগী মিনিষ্টর ওইরম্বা অমসুং মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিলগী চীফ এদভাইজর ডা. মোইরাংথেম নরনা ঙসি ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দা পাঙথোকখিবা সনা লৈবাক নাচোম আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী ২৪শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা ডা. নরনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, শুমাং লীলারোয়শিংনা মখোয়গী পার্টিশিং হোংদোক হোংজিন তোয়না তৌরিবা অসি য়ারগদি তৌবীগনু। থৌওং অসি শুমাং লীলা কাউন্সিলগী রুলশিংবু ভাইওলেট তৌবনি হায়নসু লৌই হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অসিদা মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিলগী প্রসিদেন্ট এম পুর্নিমাসি লৈমা, পদ্মশ্রী ৱারেপ্পা নবা, চ্যেরমেন একাদেমি সব কম্মিটি শুমাং লীলা কাউন্সিল, মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিলগী এদভাইজর এল টর্পোন, লাইফ টাইম প্রসিদেন্ট পি ঐচ গুনচন্দ্র, থিএটর দিরেক্টর ক্ষেত্রি জুগিন্দ্রো, মণিপুর ষ্টেট কোওপরেটিভ য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট এল তোমপিশক অমসুং সোসল এক্টিভিষ্ট ডা. এস মনাওতোন্না শরুক য়াখি হায়রি।

থৌরমগা মরী লৈননা সনা লৈবাক নাচোম আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি য়ুম্নাম নিলচন্দ্রনা এসোসিএসন অসিগী মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকপসিনা মাঙলমচৎতা তৌখিবা কয়াবু নীংশিংবতা নত্তনা মসিগী পুৱারী শেম্বদা মরু ওইরি। এসোসিএসন অসি ইন্সটিট্যুসন অমনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। লোয়ননা মায় পাকপা মীওই অমমম ওইখিবদা অপেনবা পোকই হায়খি।

থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা লৈখিদ্রবা লীলারোয় অমদি লীলা কাঙলূপ অসিগীদমত্তা হোৎনবিরম্বা মীওইশিংগী মফমদা মিনট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখি। লোয়ননা শঙলেনগী অকোয়বদা উ চারাশিং থাখি।

মণিপুরী শৈরেংগী নুমিৎ পাঙথোকখ্রে

ককচীং, ওক্টোবর ৩১(ঐচএনএস): জুনিয়র সোসল সাইন্টিষ্ট হব, ককচীংনা মোদর্ন প্রোগ্রেসিব একাদেমি, ককচীংগা খুৎশম্নদুনা মণিপুরী শৈরেংগী নুমিৎ ২০২০ ঙসি ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী ককচীং চুম্নাংদা লৈবা মোদর্ন প্রোগ্রেসিব একাদেমিদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা নাওরেম নবচন্দ্র, সোসল এক্টিভিষ্টনা অথোইবা মীথুং, প্রোফেসর ডা. নোংমাইথেম রাজ মোহোননা থৌরম মপু অমসুং ভেলেন্টনা এলাংবম, ব্রান্দ এম্বেসেদর, চীফ মিনিষ্টর্স গ্রীন মিসন মণিপুরনা অখন্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি। ঙসিগী থৌরম অদুদা ইনভাইরনমেন্ট ঙাক্তুনা থম্নবা, মহৈ-মশীল অমদি শান্ন-খোৎনবদা য়ুন্সফম ওইবা, জুনিয়র সোসল সাইন্টিষ্ট হব ককচীংগী কন্সলটেন্ট বিরমঙ্গল পুখ্রম্বমনা ইবা পোষ্টর শৈরেং অহুম অশেংবা নুংঙাইবা, প্রনয়াম মপুং ফানবা থৌরাং অমসুং য়োইবু য়োহেন তান্নবুংসু থৌরমগী অথোইবা মীথুংলেননা ফোঙখি।

বি জে পি লৈঙাক্না ফার্মরশিংগী..

লামায় ১গী মখা... অসি অমুক হন্না ফংহন্ননবা লাম্হেংনরি। মণিপুরদসু মনা-মশিং অমদি অতোপ্পা নোংমদা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিংগী মমল লেপ্তুনা হেনগৎলকপা থেংনরি। লৌমীশিংগী ফীভমসু নোংম-নোংমগী শোকচিল্লকপা হেঞ্জিল্লক্লি। লৈবাক অসিদি লৌমীশিংগী লৈবাকনি। লৌউ-শিংউ য়াওদনা ঐখোয়না করিসু তৌবা য়ারোই হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি। সী এল পিগী লিদর ওক্রম ইবোবীনা হায়খি, বি জে পি লৈঙাক অসিনা লৌমীশিংগী মায়োক্তা লৈবা ফার্মর বিল অহুম পার্লিয়ামেন্টতা পাস তৌদুনা চৎনহনখিবা অসিগী মায়োক্তা কোংগ্রেসনা মতম চুপ্পদা লেপক্কনি। পাৱর পায় হায়দুনা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা মীয়ামগী অপাম্বা খঙদনা লৌনিংবা ৱারেপ অমা হেক্তা লৌশিনবগী থৌওং অসি হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা মখা তানা তৌদনবা কোংগ্রেস পার্টিনা চপ চানা থেংনগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

মরি লৈখিদ্রে, ২৩০ পোজিটিভ..

লামায় ১গী মখা... ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ৮০, ইম্ফাল ইষ্টতগী ৩১, থৌবালদগী ১০, তেংনৌপলদগী ২, কাংপোকপীদগী ২, নোনেদগী ৭, কামজোংদগী ১৩, উখ্রুলদগী ৫, বিষ্ণুপুরদগী ৮, ককচিংদগী ৭, সেনাপতিদগী ৩, চুড়াচান্দপুরদগী ১৫, তমেংলোংদগী ৩১, জিরিবামদগী ১ অমসুং চান্দেলদগী ২ য়াওরি। জেনরেল পোপ্যুলেসনগী পোজিটিভ ওইরবা মীওই খূদিংমক মণিপুরগী মপান্দা চৎলুদবা ঙাক্তনি। মীওইশিং অসি কোভিদ ক্যের ফেসিলিটিদা লৈহনখিবগা লোয়ননা কন্টেক্ট ট্রেসিংগী থবক চথরি। নৌনা থেংনখিবা কেসশিং অসি থারগা মণিপুরগী অপূনবা কেস মশিং ১৮,৫০২ য়ৌরে। কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ১৫,৭৪৩ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলগী ২৭৫৯নি। লায়না-লাইচৎ অসি নারম্বদগী ফগাৎলক্লবা কেস মশিংনা ১৪,৮৬২ নি। ফগাৎলক্লবা কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ১২,৪২০ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলগী ২৪৪২ নি। ফগাৎলকপগী চাংনা চাদা ৮০.৩২ ওইরি। অদুগা কেস ৩৪৭২ না এক্টিভ ওইরি। এক্টিভ ওইরিবশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ৩১৫৯ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ৩১৩ নি। লায়না-লাইচৎ অসি নারম্বদগী ফগাৎলক্লবা মীওই ১০৫৭সু দিসচার্জ তৌখ্রে হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

নেসনল রি-দেদিকেসন দেগী থৌরম...

লামায় ১গী মখা... থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ষ্টেট অসিগী মীয়ামদা ইন্দিরা গান্ধীগী ফজরবা ৱাখলোনশিং ইন্দুনা লৈবাক অসিগী অমত্তা ওইবগী লিপুন চেৎশিনহন্নবগী অচেৎপা ফিরেপ লৌনবা আপিল তৌখি। গোল্ডন টেম্পলদা লোৎতুনা লৈরিবা মিলিটেন্টশিংগী মায়োক্তা মিলিটরি এক্সন লৌখৎনবা ওর্দর তৌখিবগীদমক্তা ইন্দিরা গান্ধীবু কুমজা ১৯৮৪গী নুমীৎ অসিদা মশামক্কী বোদিগার্দশিংনা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা ৱাই জয়কুমারনা হায়খি মদুদি, ঐখোয়গী ইরক্তা ইন্দিরা গান্ধী লৈত্রবসু মহাক্না লৈবাক অসিগীদমক্তা কখোল্লম্বশিং অমসুং ফিদম্লিংঙাই ওইরবা মহাক্কী ৱাখল্লোনশিং হৌজিক ফাওবদা মীপূম খূদিংমক্না নীংশিংদুনা লৈরি।

ষ্টেট লৈঙাক্না...

লামায় ১গী মখা... লৈতাহনবদা মহাক্না মরু ওইবা থৌদাং লৌখি। মোদর্ন ওল ইন্দিয়া সর্ভিসেস সিষ্টেম হৌদোকখিবগীদমক্তা মহাকপু ইনিদয়াগী সিভিল সর্ভেন্টশিংগী পেট্রোন সেন্টনি হায়নদুনা লাক্লি। লুচিংবা অসিনা ইন্দিয়ন ইন্দিপেন্দেন্স এক্ট ১৯৪৭কী মখাদা মতমদুগী বৃটিশ প্রোভিন্সশিং অমসুং নীংতম্না লৈবা নিংথৌ পানবা ষ্টেট কয়া পুনশিনহনখি।

নেসনল য়ুনিটি দেগী থৌরম অসিনা মীপুং খুদিংমক্তা, তোঙান-তোঙানবা কাঙলুপশিংগী মরক্তা নাৎ অমসুং চৎনবীগী খেন্নবা কয়া লৈদুনসু ঐখোয়না লুচিংবশিংগী ৱাখল্লোন্দা তুংইন্ননা চৎতুনা অমত্তা ওইবগী শক্তম শাগৎতুনা মপাঙ্গল কনবা লৈবাক অমা শেম্বদা পুন্নমক্না থৌদাং লৌরসি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি। থৌরমদুদা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমার, মিনিষ্টরশিং, এম এল এশিং, চীফ সেক্রেটরি, দি জি পি, সিভিল অমদি পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি।

চীং-তমগী মরী হেন্না ...

লামায় ১গী মখা... উত্রাদসু অমাইবা-অমাইবী, ফম্নাইবশিং য়াওনা কবুই মাইবনা য়েনখোং তল্লগা লৈবাক্কী অফ-ফত্তগী খুদম চাংদমসু য়েংখি। লাইগী থৌরম লোইরবা মতুং সনাকোনুংদসু নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবা অমদি চীংগী নিংথৌশিংগা মচিন-মনাও ওইবগী নুংশি মরীদা পোৎ লান্নখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা হায়খি, মেরা হৌচোংবা থৌরম অসিনা চীং-তম অনীগী মরী চেৎশিনহনবদা নত্তনা অপূনবগী ৱাখল্লোন শাগৎলক্লিবনি। কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মরম ওইরগা চহী অসিগী ওইনা পাঙথোকপা মেরা হৌচোংবা থৌরমদা চীংগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংগী খুল্লাকপা কয়ানা শরুক য়াবা ঙমখিদবা অসি নুংঙাইতবা ফাওই। লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা মীয়াম তীনবা য়াদ্রবসু ওল্লকপা চহীদদি থৌরম অসি ঐখোয় পুন্না শরুক য়াদুনা পাঙথোকমিন্নসি। থৌরম অসিনা চীং অমসুং তমগী মরী হেন্না চেৎশিনহল্লগনি। মেরা হৌচোংবা থৌরম অসি নুমীৎ ১৫নিগী মাঙওইননা তাইবং শেম্বা মপুগী মফমদা তোঙান-তোঙানবা ইনাৎ থৌনি থৌরম পাঙথোক্লবা মতুং মেরা থানিলদা মেরা মেন তোংলগা মেরা ৱায়ুংদুনা চীং-তমগী অনীগী চেৎশিনহন্ননবা পাঙথোকপা থৌরমনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ষ্টেটনা স্পোন্সর তৌবা পি জি...

লামায় ১গী মখা... অদুমকপু থবক তৌমিন্নরম্বা দোক্টরশিং কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইদুনা কোভিদ ক্যের সেন্টরদা লৈখিবা য়াওরবসু হনবা লৈতবা থৌনাগা লোয়ননা দোক্টর অমগী তৌফম থোকপা থৌদাংনি খল্লগা লাইচৎ অসিবুসু অকিবা লৈতনা লাম্হেংননবা হোৎনরবসু চহী অমা মখায় তোলোপ পীবিদনা লাকপা হায়বসি তশেংনা দোক্টরশিংগী পুক্নিং শোন্থহনবনি। থৌওং অসি দোক্টরশিংবু থওইবীদবা অমদি হ্যুমেন রাইটসপু খোঙ্গাওনবগা পাঙ্খক ওইরে। অমরোমদা দোক্টরশিংনা তূম্বা-চাবা, অহীং-নুংথিল খঙদবমখৈ কোভিদ-১৯বু লাকশিন্নবা অমদি পোজিটিভ ওইবা পেসেন্টশিংবু লায়েংদুনা লৈবাক্কী থৌগল তৌরবসু কনাগুম্বা খরনদি দোক্টরশিংনা ফজনা লায়েংবিদবনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা মীওইশিং শিবগী চাং হেনগৎলক্লিবনি হায়নবসু য়াওদবা নত্তে। অমরোমদনা শিবা-নাবা খঙদনা অচৌবা রিস্ক লৌদুনা অমদি লাইচৎ অসিবু কিদবমখৈ ৱানা লায়েংবগী অৱামল ফাওবা ফংলক্তবা অসিনা ষ্টেটনা স্পোন্সর তৌদুনা চঙলকখিবা পি জি তৌরিবা দোক্টর কয়াদি মেন্টল অমদি ফিজিকেলগী ওইবা অৱাবা কয়া মায়োক্লবা হায়বদু ওইরে। মরম অদুনা লৈঙাক্না অমদি মরী লৈনবশিংনা হীরম অসিগী মতাংদা অখন্নবা থৌরাং-থৌশিল পায়খৎপিদুনা ষ্টেট স্পোন্সর পি জি দোক্টরশিংদা চহী অমা মখায়গী পীথোক্তনা লৈরিবা তোলোপ অসি পীথোকহন্নিংই হায়নসু ফোঙদোরকখি।

পাউচে অসিনা হীরম অসিগী মতাংদা ষ্টেটনা স্পোন্সর তৌদুনা পি জি তৌরিবা দোক্টর খরগা ৱারী শারুবদা মখোয়না ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না চহী অমা মখায় তোলোপ ফংদনা লাকপগী মতাংদা মেদিকেল হেল্থ দিরেক্টোরেটকসু ৱারী শানবা লৈখ্রে। মখোয়গী মায়কৈদগীদি মরী লৈনবা দোক্যুমেন্টশিং পুন্নমক সেক্রেটরিয়টতা থাবা লোইখ্রে। মখা তাবা থবক্তি সেক্রেটরিয়টনা তৌরক্কদবনি হায়না ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না চীফ সেক্রেটরিগসু কয়ারক হন্না উনদুনা এপ্লিকেসন কয়াসু পীশিনবা লৈখ্রে। সেক্রেটরিয়টকী মায়কৈদগীসু মরম অমা নৎত্রগা অমা পুথোক্তুনা ঙসি ফাওবা হীরম অসিগী মতাংদা চপচাবা থবক পায়খৎপিদবনা তোলোপ পীবীদনা লাক্লি। সেক্রেটরিয়টতা হীরম অসিগী মতাংদা ৱাকৎখ্রবা মতুংদা কেবিনেটকী মীফমদা পুথোক্তুনা হীরম অসিগী মতাংদা খন্ন-নৈনখ্রে। অদুবু তোলোপতি ঙসি ফাওবা ফংদনা লৈরি। শুপ্নগী পি জি পুলগী রিজার্ভেসনগী সিটতি হেনগৎপীখি। লুরিবদি চহী অমা মখায় থবক তৌরকপগী ফংফম থোকপা অৱামল পীবিদবা অসিনি। হৌজিক-হৌজিক কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎকী মরক্তা থৱায় খুবাক্তা হাপ্তুনা ফ্রন্টলাইন ৱারিয়র অমগী থৌদাং লৌদুনা থবক তৌরিবা ষ্টেটনা স্পোন্সর তৌবা পি জি দোক্টরশিংনা চহী অমা মখায় অসিদা থেংনদুনা লাক্লিবা অৱাবা কয়া অসিগী মতাংদা লৈঙাক্না মীৎয়েং চঙবিদবা অসি পেন্দে।

অমরোমদা ষ্টেটনা স্পোন্সর তৌদুনা পি জি তৌরিবা দোক্টর অয়াম্বনা অৱাবা ইমুংদগী হৌরকপা অমদি মশানা য়ূম পুজরিবা মীওই ঙাক্তা ওইবনা অমুক্তা হেন্না অৱাবা হায়বদু ওইরে। লোয়ননা অনা-লায়েংনবা হোৎনবা অমদি কোভিদ-১৯গী তোঙান-তোঙানবা থবক-থৌরমশিংদা মাং থাদুনা থবক তৌবা মরমনা হীরম অসিগী মতাংদা পি জি দোক্টরশিং পুনশিন্দুনা দিমান্দ তৌবগী মতমসু ফংদে। মরম অদুনা হায়রিবা দোক্টরশিং অসিনা থেংনরিবা অৱাবশিং অসি লৈঙাক্না অমদি মরী লৈনবশিংনা খঙবি-উবিদুনা অথুবা মতমদা দোক্টরশিং অসিগী ফংফম থোকপশিং অসি ফংহনবীননবা হোৎনবিয়ু। মরমদি দোক্টরশিং অসিনা থোইনা অহেনবা খুদোংচাবা দিমান্দ তৌবসু নত্তে। শুপ্নগী মখোয়না লৌজরিবা থৌদাংশিং অমদি তৌরিবা থবক অদুগী ফংফম থোকপা অৱামল অদু পীবিয়ু হায়বনি হায়নসু পি জি তৌরিবা দোক্টর খরনা পাউচে অসিদা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

প্রো: এ পি পান্দে এম য়ুদা অমুক ...

লামায় ১গী মখা... রিপোর্ট অসি ফংলবা মতুংদা এম ঐচ আর দিনা লোগী মতুংইন্না এপ্রোপ্রিয়েট দিসিজন অমা লৌগদবনি। ৱারেপ অসি য়ারিবমখৈ থুনা লৌরগা ভিজিটরগী এপ্রুভেল অমসুং ওর্দর/দিরেক্সনগীদমক মঙোন্দা পীগদবনি হায়খি। অদুগা জর্নেল সিংহবু হায়কোর্টকী ইন্টরিম ওর্দরনা এম য়ুগী অখন্ননা মসিগী মহৈরোয়শিংগীদমক এদমিনিষ্ট্রেটর ওইনা হাপখিবদু ভাইস চাঞ্চেল্লর ওইনা মখা তানা মথৌ পাঙথোক্লগনি। থৌরাং অসি ভিজিটরনা এম ঐচ আর দিগী খুথাংদা চপ চাবা থবক অমা লৌখৎলক্ত্রিবা ফাওবা নৎত্রগা ভিজিটরনা এম য়ুগী অনৌবা মীওই অমবু ভি সী ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীরক্ত্রিবা ফাওবা চৎনখিগনি হায়বসিনি।

অদুবু সস্পেন্সনদা থম্লম্বদগী এম ঐচ আর দিগী ফেব্রুৱারী ২২, ২০২০গী ওর্দর নম্বর- এফ. নম্বর- ৩৩-০৬/২০১৮-সী য়ু. ৪গী মতুংইন্না দিসমিস তৌখ্রবা প্রো: এ পি পান্দেনা মহাক্কী দিসমিসেল ওর্দর অসিগা এম য়ুগী অনৌবা ভাইস চাঞ্চেল্লর অমা হাপ্পবগীদমক প্রোসেস তৌবা হৌরক্লবা মার্চ ১৬, ২০২০ দা থোকখিবা এদভর্টিজমেন্ট অদুগা অনীমক পুন্না হায়কোর্ট ওফ দিল্লিদা চেলেঞ্জ তৌরকখ্রে।

পাউসিনা মখা তানা হায়বদা, হীরম অনীসিগী মায়োক্তা প্রো: এ পি পান্দেনা হায়কোর্ট ওফ দিল্লিদা ফাইল তৌরকখিবা রিট পিটিসন (সিভিল) অদুগী নম্বর- ৪০৩১ ওফ ২০২০নি। অদুগা পিটিসন অসিগা মরী লৈনহন্দুনা এম য়ুগী অনৌবা ভি সী অমা খন্দুনা হাপ্পবগী প্রোসেস লেপহনবীয়ু হায়জরকখিবা এপ্লিকেসন্না সিভিল মিসেলিনস (সী এম) নম্বর- ১৪৪৫০ ওফ ২০২০ নি। সিভিল রিট পিটিসন অমসুং সী এম এপ্লিকেসন অনীমক হায়কোর্ট ওফ দিল্লিনা লৌখৎলগা কোর্টসিগী জষ্টিস জ্যোটি সিংহগী কোরমনা থেঙখাং নাইনা মসিগী ৱায়েলশিং চথরল্লে।

পাউচে অসিনা ফংবা হায়কোর্ট ওফ দিল্লিগী নুপী জষ্টিস অসিগী কোরমগী ৱায়েলগী কোপীশিংনা চৎলিবা কুমজাসিগী জুলাই৮, ওগষ্ট ১৭ অমসুং ১৮, সেপ্টেম্বর ১৭ অমসুং চৎলিবা থা অসিগী ১৯ অমসুং ২২গী ওর্দরশিংনি।

দিল্লি হায়কোর্টনা পিটিসনশিং অসি লৌখৎলগা খন্নখিবশিংদা পিটিসনর প্রো: এ পি পান্দেগী মায়কৈদা সিনিয়র কাউন্সেল ভিনয় কুমার গর্গনা লেপ্লগা মহাকপু কাউন্সেল পুনীট সিংহ, বিন্দ্রা, প্রকাশ গাওতম, পঙ্কজ, পর্ভ অমসুং সিমরাননা এসিষ্ট তৌখি। অদুগা পিটিসনশিং অসিগী রেস্পোন্দেন্টশিং ওইরিবা য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া অমসুং অতোপ্পা অমগী মায়কৈদনা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট ষ্টেন্দিং কাউন্সেল (সী জি এস সী)না লেপ্লগা মহাকপু কাউন্সেল অকশ্যনা এসিষ্ট তৌখি।

কোর্টসিনা মেট্টরশিং অসি লৌখৎলকপদা প্রো: এ পি পান্দেগী মায়কৈদা লেপখিবা সিনিয়র কাউন্সেল ভিনয় গর্গনা কোর্টতা তৌখিবা আর্গ্যুমেন্টশিংদা চথখিবা ইনক্বারি অদু নেচরল জষ্টিসকী প্রিন্সিপলশিং ঙাক্তবগী কেস অসি য়াম্না তোপ-তোপ্পা কেসনি হায়রদুনা মহাক্কী সবমিসন হৌরকখি। ইনক্বারি অদুদা দিপার্টমেন্টেল ইনক্বারিগী বেসিক রুলস অমসুং প্রিন্সিপলশিংসু য়াওদে। মহাক্কী পিটিসনরগী মথক্তা চথখিবা ইনক্বারি অদু চাজ শীট নৎত্রগা চার্জশিং ইম্প্যুটেসন তৌদনা পাঙথোকখিবনি। ইনক্বারি অসিগীদমক ৱিটনেসশিংগী লিষ্ট অমসুং দোক্যুমেন্টনচিংবা অমত্তা ইনক্বারি অসিগী মরী লৈনবা মতমশিংদা প্রো: এ পি পান্দেদা পীখিবা লৈতে হায়বগা লোয়ননা মহাক্কী মথক্তা চথখিবা ইন্দিপেন্দেন্ট মেম্বর অনীনা শাবা কম্মিটিগী ইনক্বারি অদুগী প্রোসিজরদা চেলেঞ্জ তৌরকপা মরম কয়ামরুমসু পিটিসন অসিদা ফোঙদোরকখি।

অদুগা এম য়ুগী অনৌবা ভি সী অমা হাপ্পবগীদমক মার্চ ১৬, ২০২০ দা থোকখিবা এদভর্টিজমেন্টগী মতুংইন্না মসিগী সেলেক্সন প্রোসেস মখা তানা চথরক্তুনা ভাইস চাঞ্চেল্লর অমা এপোইন্ট তৌখ্রবদি মসিনা প্রো: এ পি পান্দেদা 'গ্রেভ প্রিজুদিস' অমসুং 'ইরিপেরেবল হার্ম' থোকহনগনি হায়নসু সিনিয়র কাউন্সেলনা কোর্টতা সবমিট তৌখি। রেস্পোন্দেন্ট য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদা লেপখিবা সী জে এস সীগী মায়কৈদগীনা পিটিসন অসিগী মায়োক্তা মহাক্কী কাউন্টর এফিদেবিট পীশিনজগে হায়রকপদগী কোর্টনা মতম পীখিবা লৈখ্রে। অদুগা এম য়ুগী অনৌবা ভি সী অমা খনবগী মতাংদদি কোর্টসিদা রেস্পোন্দেন্টগী মায়কৈদগী মসিগীদমক প্রোসেস তৌবদা থা ২/৩ চঙখিগনি হায়বদা নত্তনা কোর্টসিদা জুলাই ৮, ২০২০ দা থমখিবা সবমিসনগী মতুংইন্না অনৌবা ভি সী অমা খন্নবগীদমক চথরক্লিবা প্রোসেস অসিনা সক্সেসফুল কেনিদদেট অমা খনগৎলবসু মঙোন্দা 'ওফর ওফ এপোইন্টমেন্ট' পীখিরোই হায়খি। ৱাফমসিদগী অনৌবা ভি সী হাপ্পবগী প্রোসেস ষ্টে তৌবীয়ু হায়জরকপগী মতাংদদি কোর্টনা দিরেক্সন অমত্তা পীবা লৈত্রি।

অদুম ওইনমক হায়কোর্ট ওফ দিল্লিনা সেপ্টেম্বর ১৭তা পীখিবা ওর্দরদা প্রো: এ পি পান্দেনা মহাকপু দিসমিস তৌববু শীংনরকপা কেস অসিগী ফাইনেল হিয়রিং সেপ্টেম্বর ৩০ গী নুংথিল পুং ২.৩০ তাবদা পাঙথোক্কনি হায়দুনা ফাওবা লেপ্লুরবা কেস অসিগী ৱায়েলদা পিটিসনরসিগী মায়কৈদা লাক্লবদি মহাক মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা অমুক হল্লক্লগদ্রা হায়বসিনি।

দিল্লি হায়কোর্টনা কেস অসিগী ফাইনেল হিয়রিং পাঙথোক্লনবা মতম লেপ্লুরগা পাঙথোরক্ত্রিবগী মরম্না মরক্তা পো: এ পি পান্দেগী মায়কৈদগী মহাক্কী পিটিসন অসিগা মরী লৈনবা সিভিল মিসেলিনস এপ্লিকেসন- ১৪৪৫১ ওফ ২০২০, ১৪৪৫২ ওফ ২০২০, ১৯১৬৪ ওফ ২০২০, ১৯১৬৩ ওফ ২০২০ অমসুং ষ্টে ওর্দরগী প্রেয়রদা সী এম এপ্লিকেসন নম্বর- ১৪৪৫০ ওফ ২০২০ ফাইল তৌরকখিবদগীনি।

অদুম ওইনমক মথং থাগী ৪দা কোর্ট অসিনা লৌখৎতুনা খন্নগদৌরিবা কেস অসিগী ৱায়েলনা প্রো: এ পি পান্দেগী মরাইবক লেপকদৌরি।

ষ্টেট, এসেমব্লী, দিষ্ট্রিক্ট, লোকলগী থাক্তা কম্মিটিশিং ...

লামায় ১গী মখা... মীহুৎশিং, লোকেল্লিটি অদুদা লৈবা ওজাশিং/লেকচররশিং য়াওনা গভর্ণমেন্টকী ইমপ্লোয়ীশিং, এ এন এমশিং, আশাশিং অমসুং অঙ্গনৱাদি ৱর্কৰশিংসু য়াওগনি। ক্লব অমদি সী এস ওশিংদা অখন্নবা এরিয়া অমদা পব্লিসিটি তৌননবা অখন্নবা থৌরাং শীন্নরবা য়াই। কম্মিটি অসিদা গ্রাম পঞ্চায়টশিং, অর্বান লোকল বোদিশিং, এরিয়া অদুগী ভিলেজ ওথোরিটিশিং, জোইন্ট কম্মিটি ফোর সী এস ও অমসুং পিপলস টাস্ক ফোর্স ফোর কোভিদ-১৯সু মরম চানা শরুক য়াহনবা য়াগনি। ষ্টেট লেভেল মোনিটরিং সেলনা কোভিদ এৱ্যেরনেস অমসুং ইনফোর্সমেন্টকী থবক থৌরমশিং য়েংশিনগনি। সেল অসি দিরেক্টোরেট ওফ হেল্থ সর্ভিসেসকী কোভিদ কন্ট্রোল রুমদা য়ুন্সফম ওইরগা থবক তৌগনি। টোল ফ্রি নম্বরনা ১৮০০-৩৪৫-৩৮১৮ ওইগনি। অদুগা সেল অসিদা এদিসনল দিরেক্টর (পি ঐচ) ডা. তোমচা খুমন, ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (আই জি পি) আই কে মুইভা, দি আই পি আরগী দিরেক্টর অমসুং রোষ্টর ওইনা জোইন্ট কম্মিটি ওন কোভিদ১৯গী মেম্বর অনী য়াওগনি।

পেনাল্টি ফংহনবগা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা দি সী, এ দি সী, এস দি ও, এস পি, এদিসনল এস পি, এস দি পি ও, ইন্সপেক্টর, এস আই, এ এস আই অমসুং রেভিন্যু ইন্সপেক্টরনা ওইগনি। এল সী সীশিংনা হায়রিবা ওথোরিটিশিং অসিদা তারিখ অমদি মতম য়াওবা জিও-টেক ফোটোগ্রাফশিং সবমিট তৌদুনা পেনাল্টি ফংহন্ননবা রিপোর্ট পীখৎপসু য়াগনি। আই ঈ সী মেটেরিএল, ফেস মাস্ক অমদি হেন্দ সেনিটাইজর য়াওনা কন্টিঞ্জেন্সি এক্সপেন্সেসকীদমক হেল্থ দিপার্টমেন্টনা এসেমব্লী সেগমেন্টশিংগী ওইনা লুপা লিশিং ৫০/৫০গী শেনফম মরী লৈনবা দি সীশিংদা রিলিজ তৌগনি। মতম-মতমগী মতুংইন্না ষ্টেট আই ঈ সী টিমনসু লিফ্টলেটশিং, পোষ্টরশিং অমদি ষ্টিকরনচিংবা আই ঈ সী মেটেরিএলশিং ফংহনগনি।

ট্রিটমেন্ট ফেসিলিটিশিং ষ্ট্রিমলাইন তৌননবা অমদি ফগাৎহন্ননবা ওক্সিজেন কন্সেন্ট্রেটরশিং কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংদা ফংহনখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিংদা মাইল্ড ওইবা সিম্পটোমেটিক কেসশিং লায়েং চথননবা কোভিদ ট্রিটমেন্ট ৱার্দশিং হাংদোকখ্রে। ওক্সিজেন কন্সেন্ট্রেটরশিং অমদি ভেন্টিলেটরশিং লৈবা কোভিদ ট্রিটমেন্টকী ফমুং মশিং রিমস অমসুং জেনিমসতা হেনগৎহল্লগনি।

লোকল, ভিলেজ অমসুং কম্যুনিটি লেভেলদা কোভিদ এপ্রোপ্রিয়েট বিহেবিয়রগা মরী লৈননা অনৌবা এস ও পি চৎনরগনি। অনৌবা এস ও পি অসিগী মতুংইন্না ফেস মাস্ক উপ্পা, য়ামদ্রবদা ফিট ৬কী অরাপ্পা থন্বা অমদি তোয়না খুৎ-শা হান্সনচিংবা কোভিদ এপ্রোপ্রিয়েট বিহেবিয়রশিং চা য়োনফমশিং, মনা-মশিং য়োনফমশিং অমদি দুকানশিংদা লাকপা মীওইশিংনা ঙাক্কা চৎহন্ননবা য়েংশিনগনি। সোসল অমসুং কষ্টমরিগী ওইবা থৌরমশিং, লাইনিং-লাইশোনগা মরী লৈনবা থৌরমশিং ইমুং-মনুং খক্কী ওইনা পাঙথোকপা য়াগনি। করিগুম্বা হায়রিবা থৌরমশিং অসিদা অতোপ্পা মীওইশিং শরুক য়াবগী মথৌ তারক্লবসু মীওই ২০ নৎত্রগা মসিদগী তানা তীনগদবনি। গেট টুগেদরশিং, য়ুল্লোন-কৈরোন্নবা, মরুপ-মপাং, মরী-মতানচিংবা, তোৎন-তীন্নবা, চা য়োনফমশিংদা পুনশিন্দুনা লৈবা, পব্লিক প্লেসসতা গ্রুপ গ্রুপ শাগৎতুনা লৈবা, জ্বার শান্নবা, লুদু শান্নবনচিংবশিং তৌরোইদবনি। য়ু থকপদসু অথিংবা লৈগনি। নুমীদাংগী মতমদা নন-লোকলশিং চঙবা অমসুং থোকপদসু অথিংবা থম্বা য়াগনি। এল সী সীনা কোভিদকা মরী লৈনবা রেগ্যুলেসনশিং লোকলগী থাক্তা চৎনহন্ননবা দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমদি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগা তানদুনা থবক পায়খৎকদবনি। এল সী সীশিংনা মথৌ তারকপা মতমদা স্পেসল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কোভিদ-১৯ ক্যু আর টিনা কোওপরেট তৌগদবনি। এস ও পি ঙাক্না চৎতবশিং কোভিদ পুলিস ক্যু আর টিদা মথৌ তাবা এক্সন লৌখৎহন্ননবা পাউ পীগদবনি। অয়ুক, নুংথিল অমসুং নুমীদাংৱাইরমদা লাউদ স্পিকর শীজিন্নদুনা ফেস মাস্ক উপ্পবা, সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্না অমদি খুৎ-শা শেংনা হান্নবা অমসুং সেনিটাইজ তৌননবা ৱাফমশিং লোকল কম্মিটিশিংনা ওদিও এৱ্যেরনেস পীগদবনি।

লোকলগী দুকানশিং অমদি কৈথেলশিংদা মী য়াম্না তীলহল্লোইদবনি। মদুগী থৌরাং অমা ওইনা লোকল দুকানশিংনা নুমীৎ অমদা থোঙ হাংহল্লগা মনাক নকপদা লৈবা মরুওইবা মার্কেট অমনা অতোপ্পা নুমীৎ অমদা হাংহনগদবনি। এসেমব্লী সেগমেন্ট কম্মিটিশিংনা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল কম্মিটিশিং অমদি এল সী সীসিগা তানরগা চুনগদবা থৌরাং পায়খৎপা য়াগনি। মদুগী মতুংইন্না মরী লৈনবা দি সীনা চুনবা ওর্দরশিং ইস্যু তৌগনি। য়ারিবমখৈ ইমুং অমদগী মীওই অমখক পোৎচৈ লৈবগীদমক চৎকদবনি। লোকেল্লিটি খূদিংমক্তা হিদাক মনাগী পোৎলমশিং ওইরিবা ক্বা, খৈনিনচিংবদা য়োনবদা অথিংবা থল্লে। দুকানশিংনসু মখোয়-মখোয়গী দুকান মমাঙদা স্কোৱার অমদি সার্কলশিং য়েক্তুনা থল্লগা কষ্টমরশিংবু ক্যুদা লেপহনবগা লোয়ননা দিষ্টেন্সিং ঙাক্না চৎহনগদবনি। কষ্টমরশিংনা ফিজিকেল দিষ্টেন্সিং ঙাক্না চৎতবা লোকলগী দুকানশিংবু নম্ফুদ্দা চয়োল অমা থিংজিল্লকপসু য়াই।

হোম আইসোলেসন তৌদুনা লৈবা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিংগী মতাংদা সী এম ও টিমনা এল সী সীদা খঙহনগদবনি অমসুং লোকল কম্মিটিশিংনা আশা ৱর্করশিংগী মতেংগা লোয়ননা হোম আইসোলেসন্দা লৈরিবা মীওই অদু মোনিটর তৌগদবনি। লোকল কম্মিটিশিংনসু মখোয়-মখোয়গী লৈকায় নৎত্রগা খুঙ্গংদা ক্রোনিক অমসুং কোমোর্বিদ পেসেন্টশিংগী রেজিষ্টর মেন্টন তৌদুনা মশক খঙদোক্কদবনি। লোয়ননা এল সী সী অদুগী আশা ৱর্করশিংনা ফোন কোল নৎত্রগা য়ুমদা চৎতুনা চাং নাইনা মোনিটর তৌগদবনি। লোকল কম্মিটিশিংনসু কম্মিটি অসিদা য়াওহন্নিংবা লোকল আশা ৱর্করশিং অমদি গভর্ণমেন্টকী ইমপ্লোয়ী ওইবা মীওইশিংগী দিটেলশিং রেক্কমেন্দ তৌবা অমসুং রেজিষ্টর তৌবা য়াগনি হায়বা ৱাফমসু নৌনা চৎনরগদবা এস ও পি অসিদা য়াওরি।

অমরোমদা, ষ্টেট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটিগী ষ্টেট এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী চ্যেরপর্সন ওইরিবা চীফ সেক্রেটরি ডা. রাজেশ কুমারনা খুৎয়েক পীরগা ঙসি থোকখিবা হোম দিপার্টমেন্টকী ওর্দর অমনা হৌখিবা ওক্টোবর ১দা লাউথোকখিবা অনলোক্কী কাঙলোনশিং নবেম্বর ৩০ ফাওবা চৎনখিগনি হায়রি।

Every pregnant women should get tested for HIV during the first 3 months of pregnancy to prevent HIV transmission to their child.
HIV test is available free of cost at Integrated Counseling & Testing Centre (ICTC) at all govt health facility & nursing homes.
For more information call AIDS helpline no
1097
MACS
NACO

HL/B/6494/1 to 29 Nov. alt.